# ইন্দিয়া অমসুং ঐখোয়

ৱারেং অসি ইগে খন্না কলম পায়খৎলুরিবসি বেঙ্গলোর সহরগী জয়ানগর ফষ্ট ব্লোক্তা লৈবা 'হোটেল গ্রান্দ এমপার্ক'কী রুম নম্বর ৬০৬তগীনি। ঐগী হেক ইচন'নুপীগী ওইথংবা খূকউ'দু চৎপদা চৈনা ফাওরকপা, অর্থ্রাইতিস মখল অমগী শোকচিনখ্রবা ষ্টেজ অমদা লৈরমদুনা, মে থাগী অহানবা চয়োল, মণিপুরদা চাক্লিবা মৈজাওসিগী হৌরকপা মতমদুদা 'সেইন্ট জোন্স হোস্পিটাল' দা য়েংলুবদা খূকউগী সর্জরি অমা পাঙথোক্ত্রবদি ফহনবা ঙম্লরোই হায়রকপদগী লেপ্লখিবা মতম মতুংইন্না ওগষ্ট ১১দা মফমসিদা লাকখিবনি। নী-সর্জরি হায়রগা, ইম্ফালদা লৈবা মরুপ-মপাংশিংনা খূকউ-কাং (নী-কেপ) শিনবা ওইনা খন্নে অয়াম্বনা। খূকউগী মথক থংবা শরূ অমসুং মখা থংবা শরূ অনীদু থেঙ্গায়নদুনা তক্লরকপদগী থেঙ্গায়নরিবা শরূ মচেৎশিংদু, মথক-মখা অনীমক্তু শোইদৎলগা ষ্টীল মপাক অনীনা য়োমশিন্দুনা থম্বনি। এক্স-রে-ইমেজদু য়েংহল্লকই। করি মমিং কৌনবনো খঙদে মেদিকেল টর্মিনোলোজিদা। ইম্ফালগী হোস্পিটালশিংদা অসিগুম্বা ওপরেসন পাঙথোকখিবগী পাউ ঐদি হান্না তারকখিদ্রি। ঐনা থেংনখিদবা স্পেসলিষ্টশিংনদি পাঙথোকখ্রবা ওইরম্বসু য়াই। বেঙ্গলোরগী নিমহান্স অমদি সেইন্ট-জোন্স হোস্পিটাল'দা পাঙথোকপা অসিগুম্বা অরুবা (মেজর) ওপরেসন অহুম শুরে ঐগা হকথেংনরকখিবা। হন্দক্কীসিগী মতুংদা, হোটেলগী কা মনুংসিদা চাইথোল্লবা ৱাখলসি তাশিন্নবা হোৎনরিঙৈ খল্লকই - ঙসিগী 'এদভান্সদ-হোস্পিটালশিং' - মোটোর/কার ৱার্কশোপশিংগা করিদবু খেন্নরিবগে... মথৌ তৌদ্রবা ইঞ্জিন-পার্টশিং অদু লৌথোক-লৌশিন/শিন্দোক-শিনজিন/শেমদোক শেমজিন তৌদুনা নৌনা মথৌ তৌহনবা।

হোস্পিটালশিংদা চত্থরিবা, চাওখৎলবা মতমগী লায়েং-পথাপশিংসিগী মরমদা ৱারেং ইগে খনখিবা নত্তে। নীংশিংলকই - চুড়াচান্দপুরদা খুন্দারিবা ফূরুপশিংগী অনাবা কয়া ইম্ফাললোমদা লাকপা ঙমদদুনা, মিজোরাম ফাওদুনা গুৱাহাটি তম্না চৎলগা লায়েংবদা অঙকপা ফংনা ৱানরে হায়বা পাউ অমা সোসল মীদিয়াগী খূত্থাংদা তাখিবদু। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল/মেদিকেল কোলেজ অদুদা থবক তৌরম্বা মৈতৈ মচা ডাক্তর-নর্স ময়ামদুসু মখোয়না ফূ-চৈদুনা/মীওৎ-মীনৈ চত্থদুনা তাল্লকখ্রবনা, মীরমদগী নেক্তুনা পুরকপা ডাক্তর খরা অদুনা হোস্পিটালদুগী অৱাৎপশিং মেনখৎপা ঙমদবা অদুনসু অনাবা-কুকি ময়ামদুগী ইমুং মনুংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগী মরু ওইবা মরমনি। শেঞ্জাও পায়বা, ইম্ফাল ময়োলদা ফুরা-দলান্দা লৈরম্বা কুকিশিং অদুদি স্কুল-কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প'তসু লৈবীদে। দেল্লী-বোম্বে-কোলকতাগুম্বা মেট্রোপোলিটান সহরশিংগী মমল য়াম্লবা ফ্লেটশিংদা রিলিফ কেম্প হাংদুনা চোইনা-চাইনা লৈনরি। পান-মাইরেন য়োল্লগা নোংমই চরা নোংখম্নবা কুকিশিং অদুনি - কংশি শিদুনা পুন্সি অদু কেমখিদনবা, অতোপ্পা পাম্বৈ থিরক্লিবা। চুড়াচান্দপুরগী মফম কয়াদা হাংলিবা নোংমৈ কাপ্পা তম্ফম সেন্টর কয়াদা ট্রেনিং তৌরিবা নহাশিং, নুমিৎ হুমনি-মরিগী তুং ফ্রন্ট-লাইন'দা চঙদুনা মৈতৈদা টার্গেট তৌরগা লানফম চঙনবা থাদোরক্লিবা, থৌরাং থৌশিল শীল্লিবা, নৌনা থুংলবা কুকিশিং, মতু-মচা লৈতবশিংদুদি চৈনা অসি ফংলল্লোই। হিংবা-শিবা অনীগী খেন্নবা লৈত্রবা, মখল কয়াগী দ্রগ পীজদুনা মশাবু ময়াই কাহল্লগা, মৈতৈ তাবা খুলশিংদা থোমজিন্দুনা অউ-অউবা মৈতৈ, নহা/অহল-নুপী/নুপা-খূৎলায় পায়বা পায়দবা থিদনা হাত্তোকহনবা... পান্দম অদু খক্তনি। লান হায়বসিদি লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা নৎত্রগা লৈবাক অমগী মনুংদা লৈমিন্নরগসু য়েংথীনবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা, মখোয়গী খূৎলায় পায়বা লান্মীশিংগী মরক্তা য়ানদবা ইস্যু অমগীদমক খূৎ থোক্লদুনা, থাঙ-তেন-নোংমৈনচিংবা খূৎলায় পায়দুনা হাত্তোক্লবা, করম্বনা হেন্না কনবা অঙম্বনো য়েংথোক্লবগী থবক অদুবুনি। লান মনুংদদি, মখূত্তা খূৎলায় পায়দবা নুপী-অঙাং-অশোন-অনাশিংগী মফমদা খূৎ থাবা য়াদে। লান্দা অশোক-অপন নংলবশিংগী অনা-লায়েংগী থবক চত্থরিবা মীওইশিংগী মফমদসু খূৎ থাবা য়াদে হায়বনচিংবা লানগী চৎনরোল, জেনেভা কনভেন্সনগী ৱারোল হায়না খঙনরিবা চৎনরোলশিং অসি মৈতৈশিংগীদি আ মমাঙঙৈগী মতমদগী চৎনরকই। য়েক্লবগা লান্থেংনবদা ঙাক্লা চৎকদবা ৱারোল ইবা লাইরিক অদুনি - চায়নরোল। মখূত্তা খূৎলায় য়াওদ্রবা, ঈখূৎ চল্লবা য়েক্লবা লাল্লোয় অমগী মথক্তা খূৎলায় থাবা য়ারোই... তুংহন্ননা চেনখ্রবা নৎত্রগা চঙজরক্লবা য়েক্লবা অমগী মথক্তসু খূৎলায় থাবা য়াদে... অসিনচিংবা। অদুবু লানফম ময়ায়দা চঙদুনা য়েক্লবগা লান্থেংনরিঙৈ মতমদদি য়েক্লবা লেংমান্নবদুগী য়াইবী থৱায় লৌবা নত্তনা মীনুংশিগী ৱাখল পোকফদে... মায় লৈদুনা চেনফদে। পাউতাকসিমক্লি 'মহাভারত' লানফম ময়ায়দা য়েক্লবা তেঙ্গোল মরক্তা নক্লবা মরী-মতা-মবুধৌ মরুপ-মপাং কয়া য়াওরম্বদু উবদা মীনুংশিনা থূমহৎখ্রবা অর্জুন, মখূত্তই খূৎলায় থাদোক্তুনা লান শোক্লৌ য়াদ্রবদা, শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুন'দা পীখিবা। ৱারোল অসি চায়নপুংদা য়াওরম্মী, ইনখি-ইল্লি মৈতৈ-লাল্লোয় পূম্নমক্না ঙসিসু। অদুবু মে ৩দগী হৌদুনা মৈতৈশিংগী মথক্তা এটেক চত্থরক্লিবা কুকিশিং-লান হায়বনা করিনো? মী হাৎপগা করি খেন্নে? চায়নরোল হায়বসিনা করম্বা? জেনেভা কনভেন্সন'দা করি করি হায়রিবা/ হায়বনচিংবা ৱারোলশিং খঙা/তাকপীবা অমত্তসু য়াওরল্লোই। মখোয়গীদি 'লান' নত্তে, 'জেনোসাইদ'নি। খূৎলায় পায়বা মৈতৈগা লম্বা তৌনবা নত্তবা, নুপী অঙাং-নহা-অহল খাক্তনা অউবা মৈতৈ খুদিংমকপু হাত্তোকপা, ময়ূম মৈ থাদোকপা। মে ৩ অমসুং ৪-নুমিৎ নীনি'সিখক্তগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং মোরে'দা খুন্দাবা মৈতৈশিং মফমশিংদুদা ঙম্নমক মীনুংশি খঙদনা হাত্তোল্লগা, মৈচাক ফনা চাক্লিবা মশামক্কী য়ুমশিংদা লংশিন্দুনা হাত্তোকপসু ঙম্লম্মি, তৌসু তৌরমগদবনি ইম্ফাল লোমদা খুন্দা-লৈতা-লৈখ্রবা কুকিশিংদু লৈরমদ্রবা! মীচেন ওইনা সিক্যুরিটি ফোর্সকী কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা কুকিশিং দ্রগ ওন্থোক ওনশিন (একচেঞ্জ) তৌনবগী তাঞ্জা অদু ঙাইরগনি মখোয়না, মফম অহুমসিদগী ময়েক শেংনা তান্থোরকখিবা ইথনিক ক্লিনসিং তৌরকখিবা।

হৌজিক, অসুম্না উংখৎননা লৈরক্লিবা থাবুম মরি মপূম ফারক্কদৌরে। ইস্যু অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট'না লূম্না লৌদবনরা... লৌরবসু পোলিটিকল কম্মিটমেন্ট লৈতবনরা... ঐখোয়গী লোকল পোলিটিকল লিদরশিং য়াঙলেন শরূ পান্দবা শা-গুম্বা মী ওইরুবনরা... মরম অমা নৎত্রগা অমদি শোয়দনা ওইরনি, সুপ্রিম কোর্টকী লিগেল এক্সপর্টশিংনা হায়নরক্লিবা - 'ঈরাং অসি চাইনাগুম্বা লৈবাক্তা হৌবা ওইরম্মু, নীনি শুনা হৌরল্লোই''। ইন্দিয়ন আর্মি, অদুক মথীবোং পান্দবা, হৌদোং তুরেল কূমদবা, মীরমদগী হাইজিল্লকপা চিন-কুকি খুজোক অমদুগা লম্বা পাবা ঙমদবা ফোর্স অমদি নত্তে হায়বা - খঙই মালেম পূম্বনা। মণিপুরগী চীং অমদি উমংগী শক্তম থুগাইরগা মহৌশাগী খল কায়হনবা, মণিপুরবু অনীশুবা গোল্ডন ট্রাইএঙ্গল অমা ওন্থোক্লবা হোৎনরম্বনি হায়বা খঙলবা মীওই খূৎপু অমবু ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অসিনা য়োক্তুনা থম্লিংলিবা করিগীনো হায়বসিমতংদি লাম্বা ফংদে নেম্লবা ঐগী ৱাখলগী থাক অসিনা। 'এন্টি-মৈতৈ ওইরবসু কুকি ঐখোয় এন্টি-ইন্দিয়ন হায়বদুদি নত্তে' উংনবা ওগষ্ট ১৫, ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিৎতা কুকিশিংনা শকখিবা 'নেসনল এন্থেম' অমসুং 'নেসনল ফ্লেগ' পায়দুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবগী 'ভিদিও ক্লিপ' উদ্রিবজাৎলা মোদি, অমিট অমদি বি জে পিগী লুচিংবশিং। 'ইকায়খুম্নবা উৎপনি খন্না তৌজরুবা থবক্তু ইকায়বা পীবা/খোঙ্গোয়নবা তাখরে... খঙদদুনা তৌরুবনি ঙাকপীয়ু' - অসিগুম্বা এপোলোজি তৌবা ৱাহৈ অমনা হেক্তা কোকপীবা য়াবা মরাল্লা? কুকিশিংগী মফমদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট'না পীরিবা স্পেসল-ট্রিটমেন্ট-ৱাহং কয়া হংনীংঙাইনি।

মোন্সুন সেসন মনুংদা ইন্দিয়ন-পার্লিয়ামেন্ট'পু থক-থক নীকহনখিবা, নুমিৎ কয়ানি সেসন ফম্বা ঙমহনখিদবা, নো-কনফিদেন্স মোসনফাওবা থাঙ্গৎতুনা গভর্ণমেন্টসিদা মীয়ামগী থাজবা মাঙলে, পি এম মোদি পার্লিয়ামেন্ট'তা লাক্তুনা মণিপুরগী ৱাথোকসিদা ৱা ঙাঙলো-লাউ লাউখিবা ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়নশিং ঙসিদি কদায়'দা চৎখ্রবা? মৱা-মপাউ তাখিদ্রে। পূম্নমক্কী ৱাখল, ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্স ওর্গনাইজেসন' (ইসরো) গী 'চন্দ্রয়ান-থ্রী' - অহুমশুবা থাগী খোঙচৎ - মায় পাকপগী মায়কৈরোমদা নাথৈখ্রে। আই এন দি আই এ- অনৌবা ওপোজিসন এল্লাএন্সকী, ২০২৪গী ইলেক্সন'দা পীরক্কদবা শাফু (ইম্পেক্ট) অদুগী মরমদা ঙাঙনরম্বা - ঙসিদি 'চন্দ্রয়ান' গী ৱারীদা ওনশিনখ্রে।পাউ-চেশিংদা ইনরক্লে - ২০২৪ ইলেক্সন'দা এন দি এ' গী সিট মশীং হন্থরক্কদ্রা পানরম্বদু 'চন্দ্রয়ান-প্রোজেক্ট'না মরম ওইদুনা চামরী হেন্না ফংখ্রনি। বি জে পি'গী প্রোপেগন্দা মেছিনরি অঙকপনি। য়েংবীয়ু, হিন্দুশিংগী দিৱালি-দশেহরা নকশিল্লক্লে, কুইদ্রেদনা! ইলেক্সন কেম্পেইন হৌরক্লনি। তমথীরবা মণিপুরগী লান'গুম্বা ঈরাংসিদা নোংমতসু মথম্মোয়দু শোকপা মান্না ৱাহৈ অমত্তফাও ঙাঙখিদবা নরেন্দ্র-মোদি, মতমদুদা লাক্লনি, খোইহি তৈবা চীরোন-ৱাহৈ লাউররনি মীয়ামদা... 'ভারতবর্ষবু মালেমদা চাউথোকচনীংঙাই ওইহল্লিবা ইসরোগী চন্দ্রয়ান-থ্রী মায় পাকহনবদা মণিপুর মচা 'রঘু' অমসুং 'বিসাল' অনীনসু শীংথানীংঙাই ওইবা থৌদাং য়াখিবনি... হংজৌ এসিয়ন গেমসতসু মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী মায়থোঙ ঙালহনখিবনি'... অসিনচিংবা।

হৌজিক্তই হৌনা ঐখোয়না শেম শাহৌগদবদি - অদুগুম্বা চীরোল-চোইরোলদু ইরমদমগী নুংশিৎসিদা লাউহনসিরা লাউহনগুমসিরা হায়বা ৱাফম অসিনি।

*-ইন্দ্রকুমার*

# লান হান্না খাম্বীয়ু ইমা

হৌখিবা সঙাই ফেষ্টেবেলদু সঙাইগী অশেংবা ময়ূম ওইরিবা কৈবুল লমজাওদা পাঙথোকখিবা নৎত্রবসু ওন্থোক্লা নীংথিজনা মায় পাক্লা কৈবুল লমজাওগা নক্লনা লৈবা মোইরাং খুনৌদা পাঙথোকখি। কুম্মৈ মতমদো কৈবুলদা ঈংনা চিক্লা মতু শোন্না, লোন্না লোন্না চোঙ-চোঙদুনা জ গোয় শাজবদা হৈনজবা সঙাইদো, সঙাই কুম্মৈগী হরাও মথোই কাবগী নিল খোংবা মখোলনা, নুমিদাংদদি মৈঙালগা মীনিলখোলগনা তূমথবা ঙমদ্রবা কৈবুলগী সঙাই ইমুং কয়ানা অমম্বা অহিংদা মঙক থাঙ্গৎ থাঙ্গৎতুনা কৈদৌঙৈ লোইগনি হে মীওইবা, ঐখোয়বু অমুক্তংদি চিক্লা লৈহনবীয়ু হায়রমগদবা মানবা মতম হায়বদি সঙাই ফেষ্টিবেল চত্থরিবা মনুং নবেম্বর ২৮, ২০২২দা থাঙ্গগী ইবুংঙো তোংব্রম অমরজিৎকী লুহোংবগী চেবাউ অমা লাকই, চেবাউ হেক ফংবগা ইচানুপাদা হায়, সঙাই ফেষ্টিবেল মনুংদা, অমরজিৎকী লুহোংবসি করম তৌসিগে, সঙাই ফেষ্টিবেলগী ট্রাফিক জামনা মালোম শ্বাইদগী হৌরে। নুংথিল পুং ২ দগী চৎনখিবদু নুমিদাংৱাইরম য়ৌই হায়। করম তৌসিগে ইচাদা হংবদা ইচানুপাগীসু চেবাউ পীরকই হায়দনা অদুদি ফরে নুমিৎতুগী অয়ূক্তা ওইনা চৎলসি হায়দনা ইচাগা চৎলে, ইমৌনুপীসু মোইরাং কৈথেলদা লৈবী মমান্নবীগীদা চৎনীংই হায়রকপদগী ফরে ফরে... গাড়ীদা চৎকদবদো ইমৌসু য়াওরে। অসুম্না অমরজিৎকী লুহোংবগী পোৎয়েং পীবা চৎখি।

থাঙ্গদগী হল্লক্লগা মোইরাংগী নেতাজিগী মীতমদা চঙদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলুরে, ইমৌনুপীগী মমান্নবী হোইদসু চঙলুরে। মমৈথংদা, মোইরাং খুনৌদা পাঙথোক্লিবা সঙাই এথনিক পার্ক য়ৌরুরসি হায়দুনা থৌথরে। অয়ূক্তদি মী কনামত্তা লৈনরমদে। অদুবু চঙবা য়ানি-য়ারোই হায়রক্কদ্রা হায়দনা ফোন্দা হংনরে। অয়াবা পীরক্লে। অয়ূক পুং ১০ মুক তারে, মী চিন্দবগী ইনীং তম্না য়েংবা ফংজ রে মণিপুরদা পূন্না লৈমিন্নরিবা খেন্ন-খেন্নবা ফূরুপকী মশক তাকপা য়ুমশিংদো। খেন্ন-খেন্নবা য়ুমশিংদো উরুবদা পূক্লিংদা নুংশিবা অমা ফাওহল্লি। খেন্ন-খেন্নবা নচাশিং পূম্নমকপু ইমা মণিপুর নহাক্কী নতম্বাক্তনিকো ঐখোয় পূন্না নাওকোনবীদুনা হিংমিন্নরিবনি খল্লুবদা।

লায়রবী ইমানদি খঙলমগনি, করম্বা মচানা নীংঙাই চাওই, করম্বা মচানা মমা খরা হেন্না নীংজবা, করম্বনা মচা অশেংবা, করম্বনা মচা শেংদবা, অদুবু কনাদসু হায়দোক্তে, পূম্নমকপু মচামক্লি খনবা ঙম্বগী থৌনা ইমাদা লৈ।

ইনীং তম্না খেন্ন-খেন্নবা য়ুমশিংদুদা চঙ-চঙদুনা নম্লীংবা ফোটো ফনয়াম নম্লকখি। অঙানবদা ময়েক শেংনা য়েংবসিসু খেন্নবা মহাও অমা ওইরমগদ্রা খল্লি। নুমিদাংদা মীনা চিক্লা চাইনা ঙমদবগীসু অতোপ্পা মহাও অমা ওইরম্বা য়াই। মফমদুদগী থোক্লকপদা সঙাই অশাবা অমসুং মণিপুর পোলোগী অশাবা খরসু উরকই। এথনিক পার্কতুগী চঙফমদুগী গেট ময়াদা চাওরবা ফক্লাংদুদা থেৎলিবা সঙাই মকোক মপাদা লেপ্লগা ফোটো খরসু নম্লকপনি। অদুদগী ইচানুপানা তান চানা গেলজাং য়ৌশিল্লুরসি হায়রকপদগী মনীং মায়কৈ পাংনা থৌথরে অদুগা ক্বাক্তারোমদা ফাওগৎলক্লে। অদুদগী খা পাংনা চুড়াচান্দপুররোমদা থৌথরে, ঐনা হান্না চৎনীংদুনা লৈরম্বা মফমনি। চুড়াচান্দপুর বজার অদুক্কী



মতিক চিনবা কৈথেল হায়দু ওইহৌরে, মথোল অৱাংবা, অচৌবা দুকান কয়া য়াওনা, মখল খুদিংগী দুকান উরকই। বজারদু ট্রাফিক জাম য়াম্না ওইহৌই। মহৌশা ঐখোয়না চৎখিবগী থেংনখিবা ৱারী কয়াসু লৈরি। নীংশিংলকপা অমনা মতমদু কুমজা ১৯৮৪ ওইরম্বা য়াই, আর্টস সোসাইটি মণিপুরবু ইন্সপেক্সন তৌবা কোলকতাদগী লাকপা ললিৎ কলা একাদেমিগী, দদা বিষ্ণু দাসনা চুড়াচান্দপুর য়েংনীংই হায়দুনা দদাগী লোয়নবীদুগা চুড়াচান্দপুর য়ৌশিল্লুবদা কৈথেল য়েংনীংই হায়দুনা ভাবিদুগা চঙলুবদা মী অরৌবা মানবা, য়োং অয়াইবশিংদু উরুবদগী ভাবিদুনা অকিবা অমা খংফাও ফাওখিদুনা হল্লসি খংহায় হায়রকখিবদু নীংশিংলকই। অদুদা ঐনা ভাবিদুদা শেংদোকখি - "মখোয়দি য়োং চাবনি, ঐখোয় মৈতৈদি য়োং চাদে" অহানবদা ভাবিদুনা মী ওইরবোই নীংলুবজাৎনি।

ঙাইহাক কিলোমিটর খরা থৌরগা অদুম খুগা দাম থিংগৎখিবগী নীংথিরবা অপাকপা ঈশিংদু উবা হৌরে ঙমতক তৌবা লম্বীদগী। গেলজাং রিজোর্টতা সঙাই কুম্মৈগী শরুক অমা পাঙথোকখিবগী সরক্কী মতাইদা ফিরাল পরেং পরেং য়ুংলম্মী। গেলজাংদা পাঙথোকখিবা সঙাই কুম্মৈ শরুক্তুনা ঙনখৎনা লোইশিনখিবা ওইরমাল্লে। গেলজাং হাইজিনফম মপা য়ৌরে, ওইরোমদা মমাঙ পাংনা চঙলে। মফমদু ইচিক চিকই। নুমিৎতু মীসু ইরাক লাক্লরমদে অদুবু মনুং চঙশিল্লগদি পিকনিক লাক্লবা মৈতৈ মচা খরা লৈরম্মী। নীংথিরবা খুগা দামগী পাল্লবা ঈশিং উরে, মফম অসিনি গেলজাং রিজোর্ট হায়রিসি, ওন্থোক্লা পাক চাওবা ঈশিংনি। খুদক্তা শিল্লোংগী "Umium Lake" খঙনীং নীংশিংলকই। নুমিৎতুদা অতিয়াদা লশিং মফোল মান্না পাইরিবা লৈচিলগী ফজবদুনা নিক-নিক লাওবা পাল্লবা ঈশিংদুদা মমি তাবদা ওন্থোক্লদি ফজখ্রে। পাল্লবা ঈশিংদুগী ৱাংমদা তাম্না নেমতক তৌবা চীংশাং পরেং-পরেং, মরোল-মরোল ঈশিংদুগী মপাল খাবীবগুম, ওন্থোক্লদি নীংথিজখ্রে।

পাল্লবা ঈশিং অদুবু য়েংনবা উনা ফম্পাক শাদুনা থল্লিবা মফমদুদা খোঙ য়াম্থদুনা ঐ ফনা কুইনা নীংথিজরবা শংবান্নবা মচু মাল্লবা ঈশিং অদুবু য়েংজৈ, অদুবু লাইওইরবা অচৌবা ঙাজাওনকা চোঙখৎলক্লগা ঐগী খোঙদা চিক্লগা চিংথখিদৌবগা মানবা অমা ফাওহল্লি। ঐদি তশেংনা পেন্দে মফমদুগী ফজবদু য়েংবদা।

পাল্লবা শাংলবা মীৎনা উবা ঙমদনা অদুম অতিয়াগা শম্নখিবা মাল্লি খারোমদা য়েংখিবদদি। ইচং থৌবা নহারোলশিংদি মোটোর বোট তোংদুনা ফনা য়াম লাপ্পা ঈশিংদুদা কোইনা তোংবা উই। অদুগী থৌনাদি য়াওদ্রে ঐঙোন্দা। নাপী মকা অমত্তা তাদ্রবা ঈশিংদুগী মখোঙ ফাওবা লম্পাক্কা অদুম শম্নে, ঈশিং অদু তশেংনা লূই, মনুংদা ঙা মচা-মচা চেনবা উই। ইচাশিংদি মফমদু চৎলুরে খঙনবা "I Love churachandpur" থাবা billboard কী মনাক্তুদা চঙলগা ফোটো নম্মী। অরাকপা মী খুদিং billboard তুগী মনাক্তুদা চঙলগা ফোটো অদুম নম্নে। অদুবু ঐদি চিংনবা অমা লৈ, ঐনা "I love churachandpur" থাবদুদা চঙশিল্লগা ফোটো নম্লুরগা হয়েংৱাই করিগুম্বা অমদগী ঐখোয়না চঙবা ঙমদবা মফম ওইরক্লদি খনখিবা অমা খংফাও ফাওখি। হায়রিবা অসি ওইরক্লদি ফোটোদুগী মগুন য়াওরক্লোই খনখিবদু ঙসিদি অচুম্বা ওইরক্লে। গেলজাং রিজোর্টকী মফমদু হোম ষ্টে ওইনা লৈবা য়াবা য়ূম খরসু লৈহৌই। রেষ্টুরেন্ট অমসু লৈ, চাক চাদ্রিবনা রেষ্টুরেন্টদুদা চঙলগা অহাওবা অচা অথক খরা চারবা তুংদা মফমদুগী ফজবা কয়াদুনা ঐবু পুমশুম শুমহৎপীখি। ঐনা নেচরগী ফজবদা ঙাওজবা আর্টিষ্ট অমা ওইরুবনা মথংগী লাকপদদি মফমদুগী ফজবদু ঐগী কেনভাসতা ঐগী তুরিনা নোংমদি পেন্না য়েকখিনি শোল্লম্বদো তাহৌবা মাল্লি গেলজাং রিজোর্টপু কোল্লিবা লাইরেম্বীদুনা।

হন্দক্কী ঈরাংসিগী মতম ওইবনরা খঙদ্রে য়াম্না ইথা থাজদনা ঐগী মঙলান্দা - মপূক্লিং নুংশিনা খোঞ্জেল পীক্লা "নঙনা ঐগী ফজববু ঙাওজদুনা মফমসিদা নোংমদি লাক্তুনা অয়েকপা লাই ওইনা য়েক্লখিনি হায়রম্বদাই। লাক্লোনে নঙবু মফমসিদা" ... অদুবু ঐনা খুমজখি "হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিদা ঐবু কৌরগা ইমাগী ফজবদা ঙাওজরিবা ঐহাকপু মতাং চাদনা কৌবীরগা, মৈতৈদা লান হৌরিবা ইমাগী নচাশিংদুনা পিখম্নহল্লগে খল্লব্রা? ঐবু তশেংনা নুংশিনা কৌবীরকপা ওইরদি খামজিনবীয়ু ইমাগী নতম্বাক্তা খূৎতা নোংমৈ পায়দুনা মৈতৈবু য়েক্লবনি লৌবীদুনা অরেপ অখাক লৈতনা লান্দারক্লিবা নচাশিংদু। উমং কোকথোকপদগী কায়থরক্লিবা অঈং অশাগী খল অমসুং পোপি থাবা য়াদে হায়রুবখক্তংগী মৈতৈগী মথক্তা লান্দারসি খল্লিবা, তোখায় তাজরগে খল্লিবা কোক ৱাংবা, শেলনা তৌবা লোইনা ঙম্লনি খল্লিবা লুচিংবশিংদুননি ঙসি মণিপুরদা ওইহল্লিবা লান। মখোয়দি অৱাবা করিসু লৈরোই, অচৌবা মপানগী সহরদা নুংঙাই য়াইফনা লৈখিনি... চমজরবা নখোয়গী মীয়ামদুনা পোপি থারুবগী মহয়না ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুহল্লগা থল্লগে খল্লব্রা?

ইমাগী নসাইকোনদা নোংমা শোয়দনা ঐগী কেনভাসকা লোয়ননা লাকচগে ইমা অদুবু লানসিদি হান্না খামজিনবীয়ু!! ●

*-আর কে বুধিমন্ত কর্টা*

# 'কাঙলূপকী লান মরী লৈনবশিংনা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু'

মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপকী লান (কুকি অমসুং মৈতৈ) সি থা ৪ শুরক্লগদবা ফাওবদা লোইশিনবা লৈত্রি। ঈরাংসিনা নাকল অনীদা মীশি-মীনা কয়া লেপ্পা লৈতনা থোক্লি। লানসি হেন্না কনশিল্লকপদগী অৱাবগী লান হায়বদু ওইরে। থোক্লিবা কাঙলূপকী লানসিবু ঙসি ফাওবা মরী লৈনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্ট অনীগী মীহুৎশিংনা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবগী লম্বীদা লাকপা উদ্রি। করম তৌনা কাঙলূপকী লানসি লোইশিনগনি হায়বগী থবকসু তৌবা উদ্রি।

ঈরাংসিনা কাঙলূপ অনীগী মায়কৈদা মীশি-মীনাদি লেপ্পা লৈত্রি। ঈরাংসিবু লাকশিন্নবগীদমক্তা সেন্ট্রেল লান্মী কয়া মণিপুরদা থাজিল্লকখি। ঈরাংদি মখোয়না লাক্লগা কন্ট্রোল তৌবীগদ্রা হায়রগা নাকল অমদা তোংশিন্দুনা মতেং পাংশিনবগী মমী চাউনা তারি। লানসিনা কনশিল্লকপদগী মণিপুরগী মফম খুদিংদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন কয়া, মৈরা পায়বী কয়াসু থোক্লরক্লে। থোক্লিবা অসি নাকল অনীমক্তনি। নাকল অনীমক্তা থম্নরিবা মখোয়গী ৱাখলদি অহোংবা অমত্তা লৈত্রি। অমনা ঐখোয়দা মণিপুরদগী তোঙানবা লৈবাক অমা শেমজরগে হায়রি। অমরোমদনা মণিপুর মচেৎ তানা খাইদোকপা য়ারোই হায়না লাউরি। হৌজিক্তি মাগী মাগী অপাম্বা অনীংবা ফংনবগীদমক্তা নুপী-অঙাং, নুপা খাক্তনা অপাম্বা ফংনবগীদমক্তা কাঙলূপকী লান য়াওনরে। লানসিদা নুপী-নুপা অঙাং-অহল খাক্তনা শিনখ্রে।

অসুক লুরবা কাঙলূপকী লানসিদা মরী লৈনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্ট অনীগী মীহুৎশিংনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরিবসি করিগীনো? ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, এম এল এ, মিনিষ্টর ময়ামসিবু মীয়াম্না মখোয়গী অৱাবা তারবদা মতেং পাংবীনবা, থৌগল তৌনবা থাগৎখিবা মীহুৎ অমা নত্তবরা? মীয়াম হাৎনরগা মখোয়না লীলা য়েংবদৌনা য়েংনবা থাগৎখিবা নত্তে। মখোয়সু ঙসিগী মীয়াম্না লাউরিবা খোল্লাও কয়াসি তাগদবনি। ৱানরিবা ময়ামসি থোক্তনবা শিনগদবনি। লানসিদা মীশি-মীনা, মীকপ-মীরাওখোলনা নিল্লবা ফাওবদা তূমিন্না লৈরিবসি করিগীনো?

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা অৱাং নোংপোক্তো অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা চাওখৎ থৌরাং কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি হায়না লাউরি। থা খরগী মমাঙদগী মণিপুরদা কাঙলূপকী লানদা মৈ হৌদুনা চাক্লবা ফাওবদা নোংমতা লাকপীদ্রিবসি করি ৱাফম লৈবগীনো? মরী লৈনবশিংনা মণিপুরগী ৱাফম কয়া হায়জবদনা তাবীদনা অতোপ্পা ষ্টেটতা ভোট খোম্বা চৎখি। ঙসিদি মণিপুরগী মীয়াম মায়কৈ অনীমক্তা অৱাবা ওইরে। মায়কৈ অনীমক্কী মীওইশিং লাঞ্জেন্নদুনা শাফগদবা মফম থিনদুনা চংজফম লৌদুনা চাফম-থকফম খঙদনা উখোঙ-ৱাখোঙ কয়াদা তাংজফম লৌনদুনা লৈনরি।

অমরোমদা, মৈতৈ নুপী অমবু কাঙলূপকী লানসিদা কুকিগী মীওই ৪/৫ রোম্না গেঙ রেপ তৌবীখ্রে হায়বসি মণিপুর মীয়াম লোইনা খঙহনখ্রে। নুপী লূপ কয়ানসু অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রে। মণিপুর মীয়াম্না মরান লৈরবা কুকি মিলিটেন্টশিংবু অহকপা চৈরাক পীগদবনি লাউজরবসু মরী লৈনবশিংনা তাবীদ্রি। অদুবু নুপী মীয়ামগী খোল্লাওদি থৌদোক্তুদা চেন্নবা কুকিশিং অকনবা চৈরাক পীগদবনি হায়বদি লেপত্রি। কুকি নুপী অনীদা মৈতৈশিং নহা খরনা শাওবদগী চত্থখিবা থৌওংশিংদুবুদি অথুবদা মরী লৈনবশিংনা শেলগী মতেং কয়া পাংখি। চেন্নবশিংগী মথক্তা মখল কয়াগী চৈরাক পীখি। কুকি নুপী অনীদা চত্থখিবা থৌওং অদুদা চেন্নবা ও সী ৪ য়াওনা সস্পেন্দ তৌবীরগা সী বি আইদা শিন্নখি। থৌদোক্তুদা চেন্নবা মীওই খরগী ময়ূমসু মীয়াম্না অমাঙ অতা থোকহনখি। অদুগা অৱাবা তারিবা ঈজৎ মাঙখ্রবী মৈতৈ নুপী অদুদদি ঙসি ফাওবা মতেং পাংখিবা য়াওদ্রি।

মণিপুরদা চোইনা চোইনা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন ময়ামশিং অমত্তা ওইনা পুনশি, কাঙবু অমনা অমুক ফমসি, কাঙবু অমনা লেপসি তৌদুনা মতম মাঙহল্লোইসি। ময়ামগী অপূনবনা মসিনা ফৈ হায়বদু লোইনমক য়ানরগা নাকল অনীগী লানসি লেপহল্লসি, হান্নগুম চীং-তম নুংশিননা লৈনবা মওংদা শেম্মীন্নরসি।

ঙসিদি মণিপুর মফম খুদিংদা কাঙলূপকী লানগীদমক্তা মীওই খুদিংমক শেম শান্নখ্রে। মরমদমগীদমক্তা অথৌবা মপারি কয়া মরৈবাক্কীদমক্তা লানফমদা থৱায় থাখ্রে। লানফমদা লৈখিদ্রবা অথৌবা মপারিশিংগীদমক্তা লৈঙাক্লোইশিংনা করম্বা থাক্তা অৱাবা ফোঙদোকখ্রবগে অমসুং লৈহৌরিবা মখোয়গী ইমুং মনুংদা করম্বা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীখ্রবগে? লান শোক্লরিবা নাকল অমরোমগীদি লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা ইকায়খুম্নবা অচৌবা থৌরাং তৌনরি। অসিগুম্বা কাঙলূপকী লানসিনা মণিপুরগী মফমশিং থুংনা চাক্লবা মতমসিফাওবদা লৈরিবা লৈঙাকলোইশিংনা থোরক্লিবা কাঙলূপকী লানসি করম্না লোইশিনগদগে হায়বগী শিন লাংবগী মওং অমফাওবা উদ্রি। মশীং য়াম্লবা মৈতৈ নুপী কয়ানা অৱাবা তারে হায়দুনা উনবা লাকপসু উনবগী অয়াবা পীদবনা উনদনা হলহনখিবা করি মওংনো?

ঙসিগী কাঙলূপকী লানসিদা মণিপুরবু ঙাক্লবা লাকখিবা অসাম রাইফলসনা মৈতৈ নুপী কয়াবু তাথী তাওইনা তৌবগী মমি চাওনা তারি। ঙসি ইমা-ইবেল, ইচন-ইচে কয়ানা খ্বাংচেৎ শেৎতুনা লম্বী লমজাওদা লৈরিবসিবু এম এল এ/মিনিষ্টর মখোয়গী নুপীশিংগীসু য়াওরিবনি। মখোয়সু থোরক্তুনা মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংসিদা মাঙ থাদুনা য়াওগদবনি। মিনিষ্টর, এম এল এনা লোৎতুনা লৈখ্রবসু মখোয়না মাঙ থানা য়াওবা য়াই। করিগীদমক্তা মীয়াম্না মোইবুং খোংদুনা লম্বী লমজাওদা চৎখ্রিবদু করিগীনো? মসিবু ইকায়দ্রা?

মীয়াম্না থাগৎখিবা এম এল এ/মিনিষ্টর ময়াম পূম্নমক থোকপীরক্তুনা অপূনবগী ৱারেপ লৌবীদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদা লান লোইশিন্নবা শিনবীরো। নৎত্রবদি কাঙলূপকী লানসিদা নাকল অনীদা মীশি-মীনা চাওনা থোরক্লগনি। মৈরিক্তগী মৈজাও ওন্দুনা মণিপুর তুম্না চাক্ত্রিঙৈদা অমুক্তা লানসি লোইশিন্নবা হোৎনবীরো। ●

*- ওইনাম কুঞ্জকেশোর*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২**

১) **"লৈবাক নীংবগী ঈশৈ অমসুং শৈরেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবা অমসুং শেম শাদুনা পুথোরকপনো?

২) **"পাউখুম"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **"ইমানা ঙায়রি থোঙ্গালদা লেপ্তুনা/লাকপরা য়েংলি মীৎয়েংগী পোইরৈদা/নোংমগী চরা লাঙলিবা খূদিং/নীংশিংলি নঙবু শিন্থরি পীরাং।"** ঈশৈ ময়েক অসি শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **"ঐগী পুন্সি অমসুং মণিপুর (লন্নাইগী ৱারী অমা)"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) **"সাহেবকী থৌজাল"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।